লুখোসৈ জৌ অমসুং ফৌদেল দ্রগ কেসতা চেন্নবশিং মরাল লৈতে হায়দুনা থাদোকখিবগী মায়োক্তা লেপ্পনা চথরক্লিবা নুপী সমাজগী খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা চৎখিবা প্রোটেষ্ট রেল্লি

SIT-IN-PROTEST
LUKHOSEI ZOU DRUG CASE STATE GOVT. NA HIGHER COURT TA APPEAL CHATLU
WAR ON DRUGS: CHIN-GA KHUTKA MANABIYU
DRUG TAGI MANIPUR KANSI
ORGD BY: U.M.O
MANIPUR

লামায় ৪

বি বি ফিল্মস প্রাইভেট লিমিটেদ প্রদক্সন কম্পনিগী মখাদা পুথোকপা লাংলেন চনু হায়না মীংথোনবা মণিপুর ফিচর ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকায়দা পাঙথোকখিবদা শরুক য়াখিবশিং

LANGLEN CHANU

লামায় ৫

অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী টুলিহল গ্রাম পঞ্চায়ৎ অসি মপি-মপা লৈতবা অমগুম্না হীরম খুদিংমক্তা শোত্থদুনা লৈরে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিনখিবা

লামায় ২

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি অমসুং মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা পুন্না শীন্দুনা ‘এদ্রেসিং ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱিমেন ইন মণিপুর’ গী পেনেল দিস্কসন অমসুং ইন্টরেক্সন সেসন্দা শরুক য়াখিবশিং

Addressing Violence Against Women in Manipur

লামায় ৫

এম এল এ ওইদ্রবসু মীয়ামগী থৌগল তৌবা য়াম্না য়াই : ওকেন্দ্রো

UNIT OFFICE OF THE HEIROK BLOCK CONGRESS COMMITTEE
Khundongbam Subol Singh

হৈরোক, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): এম এল এ ওইদ্রবসু মীয়ামগী থৌগল তৌবা য়াম্না য়াই হায়না হান্নগী মিনিষ্টর ওইরম্বা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা ফোঙদোরক্লি।

হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা হৈরোক পার্ট টু, লিতান মখোঙ, চীঙ্গোল, থোং ৱাংমা অমদি ইঙাংলোক্কী অপূনবা পোল্লিং ওইরিবা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৩/৩৬তা লৈবা য়ুমথোং ২৩গী ভোটর ৮৪, স্পেসল কন্ত্রেক্টর এন বিমোলগা লোয়নননা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) দা য়াওখ্রবশিংবু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরমদা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা মখা তারদুনা হায়, বি জে পি য়াওদুনা লৈরল্লবা মতুং ঙসিনা বি জে পি থাদোক্তুনা মহাকপু নুংশিবীবদগী, হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী তুংগী অশানবা মীৎয়েংবু থাজদুনা আই এন সীদা মীওই কয়া য়াওরক্লিবনি।

কুমজা ২০১৭কী ইলেক্সন্দা মহাক মশা মায়থীখিবদা থোইদোকপা ৱাখলদা পেন্দবা-নুংঙাইতবা অমত্তা ফাওখিদে, মরমদি ঐগী মহুত্তা কাররক্লিবা, মীয়ামনা নুংশিবীদুনা থাগৎলক্লিবা মীশক অসি লাইরিক লাইশু হৈবা, মশাগী শিনফম খঙনা লাকপা, অফবা মীশকনি। মহাক্না শোয়দনা ঐখোয়দগী হেন্না থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্কনি খল্লম্বনি অদুবু মদুগী ওন্ন-তৈনবদা পুবা থাংবা ঙমদবা থবক থৌরম ঙাক্তা ওইনা তৌরক্লে।

মীয়ামগী থৌগল তৌবা অসি এম এল এ ওইদ্রবসু তৌবা য়াই হায়বা ৱাখল্লোন্দা এম ইবোতোম্বী মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্টকী মখাদা মহাক্না ঙসিসু মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাক্লি। হৈরোক্তা লেন্দ বেঙ্ক অমা এম ইবোতোম্বী মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্টকী লমজিং মখাদা শেমগৎলি হায়রিবা লেন্দ বেঙ্ক অসি খরা নুংঙাই য়াইফবা ইমুংশিংনা খরা শোত্থরবা ইমুংশিংদা লৌ শঙম অমমম পীরগা খরদা ওইরবসু অৱাবা কোক্লবা হোৎনবগী নুমিৎ অমা তৌরকখিগনি নুমিৎ অদুদা মহাকপু নুংশিবীবা মীওই কয়াম য়াম্না লৈবগে হায়বদু মণিপুর মীয়াম অমদি হৈরোক্কী মীয়াম্না শাখি ওইবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

হৈরোক পার্ট টু লিটান্দা লৈবা খুন্দোংবম সুবোলগী য়ুমদা পাঙথোকপা বি জে পি থাদোক্তুনা আই এন সীদা য়াওরকখ্রবশিংবু ওকপগী থৌরম অদুদা হৈরোক এ সীগী আই এন সীগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

‘মীয়াম্না সেন্স ওর্গান অমা ওইরিবা মীৎ লায়েংবদা চেকশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): লমদমসিগী মীয়াম্না মীৎ লায়েংবদা চেকশিনবীয়ু। কাঙলোন চুম্না হাংলিবা ওপটিকেল সেন্টর, ক্লিনিক্তা মীৎ য়েংবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ওপটিকেল এসোসিএসন, ওল মণিপুর ওটোমেট্রিষ্টস এসোসিএসন অমসুং দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী ওফিসতা ঙসি লূপ অহুম অসিগী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট ও সিটলনা হায়খি, মেদিকেল দাইরেক্টোরেটকী মখাদা রেজিষ্টর তৌদনা অমদি ওপটোমেট্রিষ্টস/ওপথালমিক এসিষ্টেন্ট শুংয়াও য়াওদনা লমদমসিদা চেঙ্গুম শৌবগুম্না শৌগৎলক্লিবা মীওইবগী সেন্স ওর্গান অমা ওইরিবা মীৎ লায়েংনবগী হাংলিবা ওপটিকেল সেন্টর/ক্লিনিকশিং হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪দা দেসামনা দ্রাইভ চথদুনা কাঙলোনগী ৱাংমদা হাংলম্বশিং মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থিংজিন্দুনা লাকখিবনি। মখা তারকপদা কাঙলোন চুম্না হাংননবা ওল মণিপুর ওপটিকেল এসোসিএসন, ওল মণিপুর ওটোমেট্রিষ্টস এসোসিএসন, দেসাম অমদি লমদমসিদা হাংলিবা ওপটিকেল সেন্টরশিংগী মপুগা য়ান চে অমা ইনরে। য়ান ৱারোলশিং অসি ঙাকপা ঙমগদবশিংখক্তমক হাংবদা এসোসিএসন অমদি দেসামনা য়ানরে। অদুম ওইনমক য়ান ৱারোল অসিদা য়াদবশিংগীদি অদুমক থোঙ হাংবা য়াখিরোই।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, য়ান ৱারোলশিং অদুদি অহানবদা, ঙসিদগী থা ৩গী মনুংদা মণিপুরদা লৈরিবা ওপটিকেল সেন্টর, আই ক্লিনিকশিং অসি মণিপুর নর্সিং হোম এন্দ ক্লিনিক রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ১৯৯২ অমদি লৈঙাক্কী চৎনকাঙলোনগী মতুংইন্না রেজিষ্টর তৌবা, রেজিষ্ট্রেসন তৌদবা ওপটিকেল সেন্টর/ক্লিনিক অমত্তা লমদমসিদা লৈহন্দবা, মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু হেন্না অকনবা মীৎয়েং চঙবীনবা তকশিনবনি।

অনীশুবদা ওপটোমে-ট্রিষ্টস/ওপথালমিক এসিষ্টেন্ট/স্পেসিএলিষ্টনচিংবা য়াওদনা/লৈতনা মখল অমত্তদা ওপটিকেল সেন্টর নৎত্রগা ক্লিনিক হাংদবা, অহুমশুবদা আনোক শেম শানবা লেন্স শেম্বগী থবক তৌবা ওপটিকেল দিসপেন্সিং য়ুনিট/সেন্টর খক্তমক হাংবা য়াদবা, অদুম ওইনমক রেজিষ্টর তৌরবা ওপটিকেল/ক্লিনিক সেন্টর অমগী মখাদা হাংবদি য়াহনগনি। মরিশুবদা পেসেন্টতা আনোক খূৎশিন্নবদা লেন্সোমিটরদা নিংথিনা টেষ্ট তৌদুনা অশোয়বা য়াওদ্রে, শোয়দ্রে হায়বা উৎপা শকখঙ চে শোয়দনা পীবা অমদি শকখঙ চে য়াওদনা আনোক পেসেন্টতা খূৎশিন্নদবনি। মঙাশুবদা সেন্টর/ক্লিনিক্কী রেজিষ্ট্রেসন সর্টিফিকেটশিং মফম চানা থেৎতুনা মীয়ামদা খঙহনবা অমদি এসোসিএসন/ওথোরিটিনা ইস্যু তৌবা ওপটোমেট্রিষ্টস/ওপথালমিক এসিষ্টেন্সকী আই কার্দ/শক্তাক চে পায়বা খক্তনা পেসেন্টশিংবু মীৎ লায়েংগদবনি। শক্তাক চে পায়দবা অন ওথোরাইজ তৌবা মীওই অমা হেক্তনা মীৎ য়েংবগী থবক তৌবা য়াদবনি। তরুকশুবদা ওপটোমেট্রিষ্টস/ওপথালমিক এসিষ্টেন্ট/স্পেসিএলিষ্টকী মীৎ, ক্বালিফিকেসন্নচিংবা উৎপা নেম প্লেটশিং ক্লিনিক/সেন্টর খুদিংমক্তা থেৎপা অমদি মখোয়গী সর্টিফিকেটকী ফোটো কোপিশিং থেৎতুনা লাক্লিবা পেসেন্টশিংদা খঙহনবনি।

তরেৎশুবদা ওপটিকেলগা মরী লৈনবা স্কিল এদ্যুকেসন কোর্সশিং লমদমসিদা হাংদোক্লবা থবকশিং পায়খৎতুনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা তম্বীরগা ইশানা ইশাদা থবক পীননবা হোৎনমিন্নবা, নিপানশুবদা ওপটিকেল সেন্টরশিংদা লৈফম থোকপা মতমগা চুনবা খূৎশু খূৎলায়শিং লৈহন্নবা হোৎনবা, ৯শুবদা লমদমসিদা হাংলিবা ওপটিকেল সেন্টরশিং অসিগী এসোসিএসন্নসু হেন্না কূপশিন্না য়েংশিনবীবগা লোয়নননা কাঙলোন নাইনা হাংহনবীনবা হোৎনবা, মসিদা ক্লিনিক/ওপটিকেল সেন্টর হাংলিবশিংনসু মপূং ফানা কোওপরেসন পীবা হায়বসিনি। তরাশুবদা মথক্তা পীরিবা য়ান ৱারোলশিং অসি ঙাক্না চৎপা ঙমলোইদবা শেনদাল লম্বীখক্কী ওইনা লিংখৎলকপা ওপটিকেল সেন্টর/ক্লিনিকশিং লমদমসিদা লৈহন্দবা অমদি তরামাথোইশুবা অমসুং অরোইবা ওইনা মতম মতমগা চুনবা থৌরাংশিং তাথোক তাশিন তৌমিন্নদুনা তান্নমিনবা হায়বসিনি।

ঙসি য়ান ৱারোল খূৎয়েক পীনখিবা নুমিৎ অসি নীংশিংবা ওইনা চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী ২৮দা লেম্না মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা গাড়ি মচাগী রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চারুবদগী ইমুং কয়া ক্রাইম থোকহল্লিবা অমদি ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবদগী অরেন্দ্রা পুন্সি পীখম্লখিবা কয়া অসি উরুবদগী ঙসি পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বি অপুনবা মণিপুর (পি এল এম পি এ এম) অমদি ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোল্যুন্টরি এসোসিএসন (এ এম দব্লিয়ু ভি এ)না শিন্দুনা গাড়ি মচাগী রেল্লি চৎখ্রে।

রেল্লি অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা অমুকোগী ওফিস মনাক্তগী পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বি অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবিনা লমথাখি। রেল্লি অদু ক্বাকৈথেলদগী খা পাংনা টিদিম লম্বীদা থৌরগা নম্বোল মাইবম লোকপা চীং মপাদগী গাড়ি মমাই লৈরগা অমুক টিদিম লম্বীদা অৱাং পাংনা হায়গৎলগা কৈশামথোং ক্রোসিংদগী গাড়ি মমাই লৈরগা হান্নগী মফমদা অমুক থুংলখি। রেল্লি অদুদা প্লে কার্দশিংদা ইখিবা ৱারোলশিং অদুদি চাথোক পুথোকফম ওইরিবা লৌবুক লম্মাংশিং নিশা পুথোকফম ওইহনগুমসি, মণিপুর অসি নিশাগী চঙকফম অমসুং য়োনফম ওইহনগুমসি। নিশা থিংনবা লৈরিবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিং নিয়ম চুম্না মথৌ তৌ, নিশা চারগুমসি, লম্বী লম্মুক্লরগুমসি, ঈশিং ইচাও অরাইবনি, নিশাগী ইচাওনি লুরিবদি, নিশাগী লাংদগী তুংগী মুন্সিশিং কল্লসি হায়বনচিংবা ৱাহৈ কয়া ইখি। মতুংদা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা কম্মুনিটি হোলদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বি অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবি, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোল্যুন্টরি এসোসিয়সনগী প্রসিদেন্ট য়ুমখায়বম কুঞ্জরানি অমদি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা মথৎশিংনা প্রসিদেয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা কিনোটকী ৱারোল পীরদুনা ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোল্যুন্টরি এসোসিয়সনগী জেনরেল সেক্রেটরি কেঐচ সুজাতানা হায়, ঙসি মণিপুরগী মশিং য়াম্লবা নহা কয়া ময়াই কাবা চিঙ্গাক চারুবদগী লমদম অসিদা মখল মখা কয়াগী ক্রাইম থোক্লিবা অসিগী চৈরক অসিদা নুপী কয়াসু ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নরকপদগী ঐখোয়গী ইরমদম অসি শাথিবা ফীভম অমগী মায়োলদা লাক্লি। মসিগী ফীভম অসি খুদক্তা থিংহৌদ্রবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি খোঙ্গুল মুৎখিবগী ফীভমদা লাকপা য়াই। মরম অদুনা ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংম্না লৈঙাক্কী থৌশিল থৌওং ঙাইদুনা লৈবগী মতম নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

লমদম অসিদা মরুওইবা য়ু, নম্বর ফোর হেরোইন পাউদর, দব্লিয়ু ৱাই টেবলেট অমদি এস পি টেবলেট লেপ্পনা চারি। মদুনা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স, ক্রাইম এগেন্স ৱিমেন্সগী থবক নোংম নোংমগী লেপ্পনা হেনগৎলক্লি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক চারিবশিংদা নত্তনা মখোয়গী ইমুং মনুং অমদি মরী-মতা পুম্নমক অৱাবা নংই। ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংনবা হোৎনবদা পান্দম অমগা লোয়নননা চৎমিন্নবা মথৌ তাই। মরু ওইনা চীঙ্গাক অসিবু সপ্লাই তৌরিবা য়ারিবা মখৈ থিংনবা হোৎনবা অমদি হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই।

লোয়নননা মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্টনসু মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈবা অমদি ফাবা মথৌ তাই। কনাগুম্বা খরনা মশাগী শেল পায়নবা হোৎনবদা খুন্নাইগী লন ওইরিবা নহা কয়া মাঙহন্নবা হোৎনবা চুমদে। ঙসিগী রেল্লি অসিনা লম্বী লমুক্লদুনা মায়ওন লান্না চৎলুবা নহা কয়াবু অচুম্বা লম্বীদা অমুক হল্লক্তুনা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নবগী তাঞ্জা অদু লাক্কনি হায়না খল্লি। ঙসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা লেপনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াবু খম থেংনা শোকহল্লিবা ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং অসি থিংনবা হোৎনবদা লমদম অসিগী ইমা ইবেল, ইচে ইচলশিংনা ইচং থৌনা থোরক্লগা মায়োক য়াবা অমা চঙই। নৎত্রগদি ঐখোয় পুন্না লুপমিন্নখিবা য়ানা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জারাণীনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় লম্বী লম্মুকনরগুমসি হায়বা পাউজেল পুদুনা ঙসিগী রেল্লি অসি চৎপনি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা ঈরাক্লরিবা অসিদগী খরদং ওইরবসু কনবা ঙমগদ্রা হায়না হোৎনবনি হায়খি।

পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবীনা হায়খি, মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা, য়োনবা, পুশিল্লক্লিবা অমদি থারিবা অসি মুথৎনবা হোৎননবগী পান্দমদা ঙসিগী রেল্লি অসি শিনবনি। নহা ওইরিবা মীওই কয়া ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী কনবা ঙম্নবা ঐখোয় পুম্নমক্লা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়না মহাক্লসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

অহানবা সোলো দান্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): জৱহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১দগী চথরকখিবা মণিপুরী সোলো দান্স ‘ওকচরি য়েনিং থা’ ফেষ্টিবেল ঙসি লোইশিল্লগনি।

ফেষ্টিবেল অসি তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন ২৪ না শরুক য়াখিবগা লোয়নননা আর্টিষ্ট ৩৪ খনগত্তুনা পাঙথোকপা সোলো দান্সনি হায়না জে এন মণিপুর দান্স একাদমিদগী দিরেক্টর পি বিলাসনা ঙসি পাঙমীশিং উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা সোলো দান্স অদুদা কবুই নিংঙোল কামৈ কংজেনমৈনা গৌড়ঙ্গা রাপ্তা শাখি। রাধা অভিসারনা সঞ্জাবম নর্গিসনা শাখি, নত্যাসঙ্গ পানচানা কে ঐচ সন্ধ্যানা শাখি। অরোইবদা বসন্তা বরন হায়বা অসিনা জয়া খুন্দ্রাকপমনা শাখি হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ৬৯শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শীন্দুনা রোল য়োর স্লিভ.... সেভ এ লাইভ হায়বা থীমদা ঙৱাং বট্টালিয়ন অসিগী গ্রাওন্দদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুগা মরী লৈননা বট্টালিয়ন অসিগী কমান্দেন্ট ব্রজলালনা ফোঙদোরকপদা, কেম্প অসিদা বট্টালিয়ন অসিগী পর্সনল ৪৬না ব্লদ দোনেট তৌখি। পর্সনল ৪৬ অসিগী মনুংদা ওফিসর কয়াসু য়াওরি।

কেম্প অসি রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপনি। কেম্প অসিগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেট তৌবনা কয়ামুক কান্নবা পীবগে হায়বগী মতাংদসু এৱ্যেরনেস পীখি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফেগোক্টাগী সিজ ৱার্ক

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): ফেন্দরেসন ওফ গর্ভর্মেন্ট কোলেজ টিচরস এসোসিএসন (ফেগোক্টা), মণিপুরগী মীদিয়া এন্দ পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভিনরনা থোরকপা চেরোল অমনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী এসুরেন্সশিংবুদি তরাম্না ওকই হায়রি। অদুবু ৭শুবা য়ু জি সী পে এন্দ রেগ্যুলেসন্স ২০১৮গী চপ চাবা ওর্দর থোক্ত্রিফাওবদি খোঙজং চথখিগনি হায়রি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): পর্লভাইন ইন্টরনেসনল দিজিটেল বেঙ্ককী মেম্বরশিংনা ফিভম শোত্থনা লৈরিবা ইমুং অনীদা মতেং পাংখ্রে।

মতেং পাংখিবা অদুগা মরী লৈননা পর্লভাইন ইন্টরনেসনল দিজিটেল বেঙ্ককী মেম্বর নামৈরাকপম সোমোরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মিদিয়াগী খূত্থাংদা থরোইজমদগী ইরোম সবুদনি কৌবা নুপী অমা নাদুনা লৈবগী মথক্তা মচানুপী চহী ১৫খক্তা ঙাইরিবী অমসু কিদনিগী প্রোব্লেম লৈবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা হিংলি হায়বা পাউ থেংনবদগী ৱাখলদা নুংঙাইতবা পোক্তুনা ঙসি অঙম্বা তেংবাং পীবনি। লোয়নননা হাওরৈবী অৱাং লৈকায়দগী ঐখোয়গী মেম্বর ওইরম্বা থোঙাম বিরবলনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং মনুংনা ফিভম চাদনা লৈহৌবদা অঙম্বা তেংবাং পীজবনি।

বেঙ্ক অসিগী মেম্বরশিংনা অঙম্বা শেল খায়নরগা ঙসি ইরোম সুবদনিগী ইমুংদা লুপা ২০,০০০ অমসুং বিরবলগী ইমুং লুপা ১০,০০০ খূৎশিন্নবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

‘লৈঙাক্না মীওই খরা কনখৎনবা হোৎনবদা ইচা ইশুশিং তূম্না মাঙখিবা তারে’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): মশামক্কী লম্ফেলদা লৈবা ওফিসল ক্বার্টরদগী কুমজা ২০১৮গী জুনদা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগকা লোয়নননা ফাবদা চেন্নবা হান্না ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী), চান্দেলগী চেয়রমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌবু নার্কোটিক্স দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্স (এন দি এন্দ পি এস) কী স্পেসল কোর্টনা হৌখিবা কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ১৭তা মরাল লৈতে হায়না অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা অমসুং কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্না হায়র কোর্টতা আপিল চৎতুনা অমদি নৌনা থিগৎতুনা মরাল লৈবা দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা মীওইশিং চৈরাক পীয়ু হায়না মীয়াম্না চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৬তসু ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) না ইমা লূপ অমদি ক্লবশিংগা খূৎশম্নদুনা লম্ফেল য়াইফ লৈকায় অমদি লংথবালদা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগা লোয়নননা সিট ইন প্রোটেষ্ট কম প্রোটেষ্ট রেল্লি অমসু লম্বোইখোংনাংখোঙদা চৎখ্রে হায়রি।

নুপী সমাজগী জেনরেল সেক্রেটরি পাঙ্গেজম সোবিতানা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা লম্ফেল য়াইফ লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা হৌখিবা থা অসিগী ২৬তা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদু নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিমপাল) অমসুং লম্ফেল য়াইফ লৈকায় অপূনবা লূপ অনী পুন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা সোরাইসম শান্তি (নিমপালগী জেনরেল সেক্রেটরি) না ৱা ঙাঙখি। মহাক্না হায়, ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অমসুং ক্রোর ৪০০ রোমগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা মীওইশিং মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অদু মীয়াম্না য়ানীংদে।

কেসশিং অসি থাজনীংঙাই ওইদে। অমুক হন্না রি ইনভেষ্টিগেসন তৌগদবনি হায়দুনা মীয়াম্না থা ২ হেন্না দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লবসু মণিপুর লৈঙাক্না তূমিন্না লৈশিনবা অসি য়ানীংদে। থৌওং অসিনা মণিপুর লৈঙাক্না দ্রগ লল্লোনবশিং হকথেংননা শৌগৎলব্রা হায়বগী চিংনবা মীয়ামগী পূক্নিংদা ফাওহল্লে হায়খি।

নাকল অমরোমদা, থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা নিমপাল লংথবাল ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা ফমদুনা লুখোসৈ জৌগী দ্রগ কেস হায়র কোর্টতা আপিল চৎলু অমসুং ফৌদেল দ্রগ কেস লৈঙাক্না তূমিন্না লৈশিনবদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি হায়রি।

লোয়নননা লম্বোইখোংনাংখোংদা য়ুনিভর্সেল মাদরস ওর্গনাইজেসন (য়ু এম ও) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সিট ইন প্রোটেষ্ট কম প্রোটেষ্ট রেল্লি অদুদা ইমা সোরোজিনি (য়ু এম ওগী প্রসিদেন্ট) না ৱা ঙাঙখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্না মীওই খরা কনখৎনবা হোৎনবদা হৌরক্লিবা ইচা ইশুশিং দ্রগতা লায়চুনা তূম্না মাঙখিবা তারে হায়খি। মীয়ামগী খোল্লাউ তাদুনা দ্রগ লল্লোনবশিং লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। লম্বোইখোংনাংখোঙদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুগী লোইশিল্লকপদা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট রেল্লি অমসু চৎতুনা পেন্দবা খোল্লাউশিং লাউখি হায়রি।

IN THE COURT OF SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mut. Case No.173/SDC/M dt. 27/02/2021

Ahanthem Bem Devi W/o Aju Singh of Moirang Phiwangbam.

-Vs-

(Late) Ahanthem Kanta Singh S/o (Late) Tamphajao Singh of Phiwangbam Leikai, Moirang.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 27th Feb., 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৩ - মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৪৪৭ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ২৬০৬, এরিয়া ০.০৫২৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মশুনা লম অসিগী মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/9111/01 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

IN THE OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR

Soram (O) Thambaltombi Devi W/o (L) S. Shyamkanhai Singh of Bamon Leikai Mange Makhong Imphal East, Manipur. - Petitioner

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

27/02/2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি শ্রী সোরাম শ্যামকহ্নাই সিংহ বামোন লৈকায় মঙ্গে মখোঙ, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা মীওই অসি হৌখিবা তাং ০৫/০২/২০২১ ইংদা লৈখিদ্রে। মরম অসিনা সোরাম থম্বালতোম্বী দেবী (লৈখিদ্রবা মীওইগী লোয়নবী) অসিনা Legal wife certificate পীবিয়ু হায়দুনা এস দি সী পোরোম্পাৎ ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবদগী নুমিৎ হুমনি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা দরখাষ্ট/ওবজেক্সন তৌরগদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

HL-P/9076/01 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref :- Mut. Case No. 243/SDC/IW -L/2021

1) Leishangthem Premchand Singh S/o (L) Mukta Singh of Koutruk Maning Leikai (1.77 acre) (2) -do- Romen Singh S/o (L) -do- of -do- (1.77 acre)

-Vs-

(Late) Leishangthem Mukta Singh S/o (L) Leiren Singh of Koutruk

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

26/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার লৈশাংথেম মুক্তা সিংহ পীতা মৃত লৈরেন সিংহ, সাং কৌত্রুক্কী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৪৭ - কৌত্রুক্কী অনৌবা পাট্টা নং ৫৬, দাগ নং ২১৪ অমসুং এরিয়া ৩.৫৪ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/9075/01 *Sd/- Sub-Deputy Collector : Lamsang*

2nd POSITION
PATEL LAIRENJAM
11th POSITION
DHANAPIYARI
14th POSITION
NARESHKUMAR NAOEM
15th POSITION
BIDYASAGAR
23rd POSITION
HUIDROM HELEN
1st POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHANTRAILATPAM
2nd POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) SHOPHIYA ASEM
RAHUL NAOREM 3rd POSITION 2020
N.REONA 14th POSITION 2020
L.KANGLEINGANBA 17th POSITION 2020
BIDYA MAIBAM 18th POSITION 2020
Y.ANDYSON 21th POSITION 2020
TH. JEET SINGH 16th POSITION 2020
TAIBANGANBA. L 16th POSITION 2020

SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
TOPPERS OF THE S.T.C IN HSLCE 2016 to 2020

ADMISSION OPEN
100% PASS
FOUNDATION COURSE & REVISION COURSE 2021
FOR CLASS X & XII (BOSEM & COHSEM)
(SCIENCE,ARTS,COMMERCE)
COMMENCES ON 18th FEBRUARY & 8th MARCH 2021
SUBJECTS OFFERED :-
Mathematics,Physics,Chemistry,Biology,M/M, English,H/Maths,H/Science,C/Sience,Accountancy, Business Studies,Economics,History,Sociology, Geography ,Political Science & Education.
Run by trained board & council of experience teachers

1. Speacial fee concession for former students.
2. Regular mock test with analysis.
3. Separate hostel for boys & girls.
4. Well structured study materials.
5. Available Van Service.

TEACHER WANTED
1. Accountancy.
2. Business Studies.
3. Education.
4. Economics Experience 5 years & above
CLASS TIMING (Morning & Evening)
Contact no: 8730999192

HL-P/8727/31/1-5/4 (alt)

S³ Coaching Centre
EDUCATION WITH CARE
STEPS TO SURE SUCCESS
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island

ADMISSION IS GOING ON FOR

DON'T MISS

LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount

SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology
(one subject Free)

SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science
(one subject FREE)

DON'T MISS

Day Boarding for
NAVODAYA & SAINIK
Entrance Coaching

NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY
STARTING FROM 3RD MARCH

FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021

50% DISCOUNT ON
FIRST TWENTY STUDENTS

Class - Timing	
Morning 6am - 9am	Evening 3pm - 7pm

HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII

Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students

Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM

HL-B/6801/20/2-21/3